**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-02-2026)**

**ভুপতি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ষ্টিল এন্দ হেভি ইন্দষ্ট্রিজগী রাজ্য মন্ত্রি-ভুপতি রাজু শ্রীনিবাস ভর্মা, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎপা পুরকবা থল্লিবা পান্দমগী মতুং ইন্না মহাক্কী পাউতাক মখাদা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবনি। দোন্নর মন্ত্রালয়না পায়খৎলিবা পুরবোটর সম্পারক সেতু পোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগনি হায়না শ্রী ভর্মানা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ফোংদোক্লি।

ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা থুংলবগা মহাকপু বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদা দেবী য়াওনা দল অসিগী করিয়াকরতাশিংনা হরাউ তয়ামা ওকখি। শ্রী ভর্মা নোনে জিলাদা চৎতুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনগনি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিসতা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-বিদ্যামারি শ্রীধর য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং হন্না য়েংশিনগনি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা অৱাং খুল রেলৱে ষ্টেসন, নোনে জিলাদা শারিবা মালেমদা খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে পায়র, সরকারগী স্কুলশিং, অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং অমদি নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্টরনচিংবা য়েংশিনগনি। এন.আই.ঐচ.দি.সি.এলগী ওফিসিএলশিংগসু উন্নদুনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লন্মী শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদসু খন্নগনি।

মরক অসিদা, হয়েং নোনে জিলাদা লাক্কদৌরিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ভুপতি রাজ্‌গী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ঙসি নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সভাপতি ওইদুনা জিলা অসিগী ওফিসিএলশিংগী ওইবা মীফম অমা দি.সি. কমপ্লেক্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি-এম.এলশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাপাক চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিময়ুম সরদা দেবী, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, কেবিনেট মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা এম.এল.এ কয়ামরুম শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মনিপুরগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং চাউখৎনবগীদমক অমত্তা ওইনা থবক পায়খৎমীন্নবগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি হায়রি।

মীফম অদুনা অমনা অমবু মতেং পাংনবা হেনগৎহনবা, পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং নৌহৌননা য়েংশিনবগী ৱাফমশিংসু খন্নখি। মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-খেমচান্দনা মহাক্কী দিল্লি খোঙচৎ অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, বি.জে.পি. নেসনেল প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিন য়াওনা মরুওইবা লুচিংবা কয়া উন্নরুবগী ৱাফম থম্বগা লোয়ননা অতৈ থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি হায়রি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** অনাল ত্রাইব য়ুনিয়ন-চান্দেলগী প্রসিদেন্ট-পি.এস. মোনহরিংনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা মীহুৎ কাংবু অসিগা তোঙান তোঙানবা লমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। লমদম অসিদা শান্তি

অমসুং নুংশি চান্নবা লৈহনবা হায়বা অচেৎপা ফিরেপ অদুগা লোয়নননা রাজ্য অসিদা চাউখৎ থৌরাংশিংগী খোঙজেল য়াংহনবা অমদি চান্দেল জিলাগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্দুনা মীপুম খুদিংমকপু অমত্তা ওইনা চাউখৎমীন্নবা হায়বা অচেৎপা ফিরেপ অদুগী মখাদা থবক পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ইন্সত্রাগ্রাম ফোলোৱার মিল্লিয়ন ১০০ য়ৌবা ঙম্বা অহানবা মালেমগী লুচিংবা ওইরকপদা থাগৎপা ফোংদোক্লি। শ্রী খেমচান্দনা হায়-মায়কৈ কয়াদগী মহাক্কী লুচিংবা ওইবগী থৌশিলদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লবসু মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা শ্রী মোদিব্ পুকিং থৌগৎপা লেপত্রি। অসিগুম্বা শিংথানিংঙাই ওইবা পন্দুপ অসিনা নাগরিকশিংনা মহাক্কী লুচিংবা ওইবগী থৌওং অসিবু থাগৎপা অমদি থাজবা ফোংদোরক্লি।

শ্রী খেমচরান্দনা হায়-মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রি অমা ওইনা ঐতিহাসিক ওইরবা অসিগুম্বা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা পন্দুম অমা ফংবদা মীয়ামনা হরাউবা ফোংদোরক্লিবা অসিদা শরুক য়ারি হায়রি।

এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমারনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। পি.ঐচ.ই.দি, পি.ডব্লিয়ু.দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমদি মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগা লোয়নননা উন্নবা অদুদা ৱাংখৈ কেন্দ্রদা লম্বী অমসুং ইরম-নালানা হৌজিক শোকহল্লিবা অসিগী মতাংদা কুপা খন্নখি। শ্রী অরুনকুমারনা হায়-কেন্দ্র অসিগী অতৈ মফমশিংদা লম্বী অমদি ইরম-নালা শেম্বগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** পাউমাই নাগা নাউতুমাই মেগী ৮ শুবা জেনরেল কনফরেন্স সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা ঙসি উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোসি দিগোনা হৌদোকখ্রে।

কুমশি চহিগী হীরমনা 'ইগনাইট ইয়োর স্পাকল' হায়বসিনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা উপ মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা মীফম অসিনা সমাজ অমগী চাউখৎপা অদু উৎলি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিনা জাতি কাংলুপ অমসুং মীওই

কয়াদা কান্নবা পীরি। মহাকা ফম অসি পায়রিসি রাজনিতি দল নৎত্রগা নাগা নৎত্রগা কুকিশিংগী নত্তে। ফম অসিদি মনিপুর মীয়ামগীনি। নুপীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা নুংঙাই য়াইফবা ইমুং মনুং, সমাজ অমদি খুঙ্গং শেমগৎনবা মহাক া আপিল তৌখি।

**জিরামজি (এল)ঃ** ভিক্সিত ভারত গেরেন্টি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মীসন (গ্রামীন) এক্ট-২০২৫ রাজ্য অসিগী জিলাশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা মমুৎতানা খঙহন্নবা চয়োল তরুক চখুগদবা জন সম্বাদ কেম্পেইন ঙসি ককচিংদা হৌখ্রে।

ককচিংগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি রাজ অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন ওফিসকা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পি. শান্তিকুমারনা হায়-এক্ট অসিগী মতুং ইন্না হান্না থবক শুবগী মতম নুমিৎ ১০০ নি ওইরম্বা অদু নুমিৎ ১২৫ নি হেনগৎলে। খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মপুং ফারবা মীওইশিংনা অন-স্কিল ওইবা থবকশিং পায়খৎকে হায়রবদি মরী লৈনবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা রেজিস্তার তৌবা য়াগনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা ঙসি সমপুরনাতা অভিয়ান টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস চান্দেলদা লৈবা মিণি সেক্রেটরিয়েটকী মল্টি পরপজ হোলদা অভিয়ান অসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হেমন্ত কুমারনা হৌদোকখি।

এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম অমসুং এসপিরেস্নেল ব্লোক প্রোগ্রামগী মখাদা চান্দেল অসি অসি খনগৎখিবনি। হৌদোকপগী থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা নিতি আয়োগকী মখাদা শিনবনি।

**শ্যাম (এল)ঃ** করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি-মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বগী মথক্তা এক্সত্রা কারিকুলর এক্তিভিতিশিংদসু থৱায় য়াওশিল্লবদি মপুং ফাবা খুন্নাইগী য়ুন্বী অমা ওইরকপা ঙমগনি।

ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা কেথোলিক স্কুলগী ৩৮ শুবা শান্ন খোৎনবগী থৌরম হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-মহৈরোইশিংনা কা মনুংদা ফমদুনা মহৈ তম্বা খক্তনা মপুং ফাবা মীওই অমা ওইবা ঙমদে। মরম অদুনা মতম মতমগী ওইনা স্কুলশিংদা পাঙথোক্লিবা এক্সত্রা কারিকুলর এক্তিভিতিশিংদা থৱায় য়াওবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-লাইরিক হৈরবা অমদি মতিক চারে হায়না খঞ্জবা মীওই কয়ানা অহল ওইরবা মমা-মপাশিংবু তাথি-তাওইনা তৌবগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। মসি লাইরিক তম্লিঙৈ মতমদা লাইশু নীংথিনা খঙলক্তবদগী থোরকপনি।

**কেন্সর (এল)ঃ** কেন্সরগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস অমসুং এ.ও.আই. বাবিনা স্পিসিলিতি হোস্পিতাল-খাবৈশোইগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ডাক্তরশিংনা নুপীশিংদা তোয়না নাগনবা কেন্সরশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী আশা ৱাকরশিংসু শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চীংদা লামৈ চাক্লকপা মতমদা কমদৌনা কনগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দেলনা শিনদুনা মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসনগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনান মীতৈনা হায়-চান্দেল জিলাগী অপুনবা পাক চাউবা স্কার কিলোমিটর ২,১০০ গী মনুংদা লিশিং ১,৮১৫ রোমদি উমংগী শরুক ওইদুনা রাজ্য অসিদা উমং খ্বাইদগী য়ামা লৈবা অনিশুবা জিলা ওইরি। অদুম্মকপু, তোয়না লামৈ চাকপা, পামলৌ উবা, শিঙ য়ানবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী থবক থৌরমশিংনা মরম ওইদুনা জিলা অসিদা উমংগী শরুক নোংম-নোংমগী হন্থরক্লি।

গ্লোবেল ফোরেষ্ট ৱাটসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না-ইং ২০২৪ ফাওবদা জিলা অসিগী ওইনা উমংগী শরুক স্কার কিলোমিটর ৪৪ রোম মাঙখ্রে। মহৌশাগী খল ঙাকবা হোৎনবদা উমং অমদি লমলক্কী শা-উচেকশিং নীংথিনা কন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

**স্কিল (এল)ঃ** মীয়াম পুমমক অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা থবক থৌরমশিংদা মায় ওনশিনদুনা চাউখৎপা মরা তপ্পা লৈবাক অমা শেমগৎনবা পান্দমদা ঙসি হিন্দু সমেলন সমিতি-খুন্দ্রাকপম মন্দল ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা রাজাশ্রী ভগ্যচন্দ্র স্কিল দিবলপমেন্ট সেন্টর-হরাউরৌ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

**ককচিং (এল)ঃ** ইং ২০২৩ গী মে ২৭ তা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা সেরৌ, সুগ্ অমদি নাপৎতগী লাঞ্জেন্নদুনা ককচিং জিলাগী মফম কয়াদা চংজফম লৌদুনা লৈরক্লি।

ককচিং এরিয়াদা লৈরম্বা সুগ্ অমদি সেরৌগী আই.দি.পিশিং ময়ুম ময়ুমদা অয়াম্বা হনজিন্নখ্রে। হৌজিক খা মনিপুর কলেজতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেট খরা অসিদি অয়াম্বনা অঙাংশিং স্কুল চৎপা অমদি পরিক্ষা থাবগীদমক্তা লৈরি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল কলেজনা শিনদুনা জিলা থাক্কী ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ কী থৌরম অমা ঙসি কলেজ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ফিফতি ইয়ারস ওফ ইমর্জেন্সি-লেসন্স ফোর ইন্দিয়ান দেমোক্রেসি হায়বা হীরমদা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়াস অমসুং স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা চহি ১৮ দগী ২৫ ফাওবদা লৈবা নহারোলশিংনা ৱা ঙাংদুনা অথোই অহেন তান্নখি।

**ইসিঃ** রাজ্য ১০ গী রাজ্য সভা সিট ৩৭ কী নোটিফিকেসন ইলেক্সন কন্মিসননা ঙসি থোকখ্রে।

মীরেপ চেশিং ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী ৫ ফাওবা পীশিনবা য়াগনি। ভোটনা মথং থাগী ১৬ তা থাদনগনি। মহারাস্ত্রগী সিট ৭, তামিল নাদুগী সিট ৬, বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট ৫-৫, উরিষ্যাগী সিট ৪, অসামগী সিট অহুম, তেলঙ্গানা, ছাতিসগর অমসুং হারিয়ানাগী সিট অনি-অনি অমদি হিমাচল প্রদেসকী সিট অমগীদমক মীখল অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

রাজ্য সভাদা এপ্রিল থাদা মতম লোইরগদবশিংগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-রামনাথ ঠাকুর অমসুং রামদাস অথৱালে, রাজ্য সভাগী দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরিবন্স, এন.সি.পি-এস.পিগী লুচিংবা সরদ পৱার, কংগ্রেস লুচিংবা অভিসেখ মনু সিংভি, এ.আই.এ.দি.এম.কেগী লুচিংবা এম-থন্বীদুরাইনচিংবা য়াওরি।

**পিএম ঃ** কালা-সংস্কৃত্তিগী লমদা পীথোক পীশিন তৌনবা, জিও ফিজিকেল এক্সপ্লোরেসন, ফিসরি অমসুং এক্বা কলচর অমদি আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স শিজিন্নদুনা হেন্না চাউখৎলবা য়ু.পি.আই অমদি মহৈ মশিংগী লমদা মতেং পাংননবা ভারত অমসুং ইজরেলনা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমদি ইজরেলগী প্রধান মন্ত্রি-বেনজামিন নেতান

য়াহুগা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্ন ৱারোল অদু সহি তৌনখিবনি।

প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অমসুং ইজরেলগা লৈনরিবা মরি অসি থাজনবা অমদি গনতন্ত্রগী মগুনশিং ঙাকা চৎপা হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা শেমগৎপনি। শ্রী মোদিনা হায়-ঙসিদি লৈবাক অনিনা ঐতিহাসিক ওইরবা ৱারেপ কয়া লৌদুনা অখন্নবা ষ্টেটেজিক পার্টনরসিপকী থাক অদু য়ৌবা ঙমলে। মহাকা হায়-চহি ৯ গী মমাংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা ইজরেলদা ইহান হান্না চৎপগী খুদোংচাবা ফংখি। শ্রী মোদিনা হায়-ইজরেলদা য়ু.পি.আই. শিজিন্নবগী য়ান্ন ৱারোল অমা পুরক্লে।

শ্রী বেনজামিননা হায়-ইজরেল অমসুং ভারতনা অনৌবা ৱাখল্লোনশিংদা অচেৎপা ফিরেপ লৈ। মহাকা হায়-লৈবাক অনি অসি মহৌশাদগী লৈরক্লবা চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা সিবিলাইজেসন অমনি।

**হোর্স ঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চৎথরিবা ২১ শুবা গভরনস কপকী নুপীগী শান্নখিবা মেটচতা-অসাম রাইফল ৱিমেন পোলো টিমনা ইবুধৌ পাখঙবা পোলো ক্লব-মালোমবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখ্রে।

৩২ শুবা গভনরস ইনভাইটেসন কপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা অসাম রাইফলস পোলো টিমবু পাঞ্জল ৮-৬ তা অদুগা চিংখৈ হুনবা পোলো ক্লব-কোংপালনা ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপারাবু পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেনজম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-পি.টি.আর.সি. পাইশোই পার্ট ফোরনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু

রন-২০৬ তা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দ থৌবালদা শান্নখিবা মেটচতা মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখানা এস.সি.সি.শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন-৩০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** মেজর ডাক্তর-জোতিন সিংহ অশোক চক্র মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতশিংদা-মীলন এফ.সিনা কে.এন.কেবু পাঞ্জল ১-০ দা, ইলিট এফ.এনা ক্রুকপুবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** বিষ্ণুনাহা যুথ ফেদরেসন-য়াইরিপোক্কী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ য়াইরিপোক ট্রোফি, মনিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-য়াইরিপোক য়ুনাইটেদনা জোন এফ.সি. অচানফিগৈবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা হয়েং বি.ৱাই.এফ.ৱাই. (এ) অমসুং টি.এম.এফ.সি. য়াইরিপোক শান্নরগনি।

**এআর ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ভিলেজ স্পোর্টস ইভেন্ট অমা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী বি-বোংজাং খুলদা পাঙথোকখ্রে। স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা খুল অসিগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা ৪৫ রোমনা তোঙান তোঙানবা মশান্নাশিংদা চাংদমখি।